ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯰꯲, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওগষ্ট ০২, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১২৮শুবা মশীং

## থবক লৈতবশিংসি কম্মাই তৌসিগে
### ইকায়বা খঙননবা চৈবুল পীজবনা ফরগদ্রা

হৌজিক থেংনরিবসি নোভেল কোরোনাভাইরসনি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী শাথীরবা সেকেন্দ ৱেভনি। লায়নাসি মালেমগী মফম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবনি। মসিদগী লৈবাকসিদসু লানশিল্লক্তুনা পীকখ্রবা ষ্টেটসি য়ৌরক্লিবনি। অদুগা ঐখোয় শ্বাই য়ৌরকপদা কোভিদ ১৯গী ভাইরসশিংগী মনুংদা ট্রান্সমিসন্দা মপাঙ্গল কনবা, কো-মোবির্দিটিজ হেন্না থোকহনবা ঙম্বা দেল্টা ভেরিএন্টকী মখলশিং ওইরম্বনি। ফীভমশিং অসিনা মরম ওইদুনা জুলাই ১৮, ২০২১দগী মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬ মক্তা থমজিল্লকখিবা টোটেল কর্ফিয়ুগী অথিংবা নুমিৎ ৭নি অমুক শাংদোকহল্লক্তুনা ওগষ্ট ৩, ২০২১ ফাওবা চৎনগদৌরি। অদুবু অথিংবসি থম্লা থম্লা জুলাই ৩০, ২০২১দা কোভিদ-১৯না নোংমদা শিহনখিবা মীগী মশীং ২০ য়ৌশিল্লকখ্রিবনি। ফীভমসি হস্তদ্রি, শাথীরি হায়বনি।

অদুবু অসিগুম্বা ষ্টেটসিগী লুরবা তাঞ্জাসিদা মশাগী লেংদবা শিনফম লৈজদবা, লৈথোকখিবগা অউবশিংনা ফজনা ঙাঙনদ্রবা মীরেম খরনা সোসল মীদিয়াবু লান্না শীজিন্নরক্লিবা অসিবু করিগীনো? হৌজিক মায়োক্লরিবা ফীভমসিদগী হেন্না মরু ওইবা, লুবা ফীভম অমমুক লৈরকখিদ্রা? মীওইবগী থৱায় কনবদগী হেন্না লুবা থবক লৈব্রা? মসিগীদমক গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অঙম্বা পান্থৈশিং পুথোক্তুনা হোৎনরি। মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লূপশিং চোংথোক্লরক্তুনা মতেং পাংশিল্লক্লি। অঙম অঙম্বা থৌদাং য়ামিন্নরক্লি। অদুবু হায়রিবা লুরবা থবকসিদা চোংথোরক্তুনা ফিজিকেল্লি শরুক য়াবসু নত্তবা, মাস টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসনগী মতাংদা মীয়ামদা লৈরিবা চিংনবশিং কোকহনবগী মঙাল ওইবা য়াবা থবক থৌরমশিংসু তৌবা নত্তবদা সোসল মীদিয়াদা অখঙ অহৈ শাদুনা পেৎ-পেৎ ঙাঙলিবা মীওই খুজোক খরসিগী মমায়শিংদা য়োমশিল্লিবা ইকায়বা খঙদবগী কুরাংবান অসিবু কম্মাইনা লৌথোক্কনি? মরী লৈনৈ খঙদে, লৈনদে খঙদে গভর্ণমেন্টতা, হেল্থ ৱারিয়রশিংদা অমসুং কোভিদ ফাইটরশিংদা ওনশিন্দুনা চৈশিল্লি, এদভাইস পীশিল্লি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না ফাওবা রেজিষ্ট্রেসন ককখ্রবা, হৌজিক্লা পার্টিগী অশেংবা মকোক মরু কনা-কনানো হায়বা ফাওবা লৈখাই তাদ্রিবা পোলিটিকেল পার্টিনি হায়জবশিংগী অদুনি-অদানি হায়জবশিংসু পার্টিদুগী লেট্টর হেদতা নুংতিগী চেরোল অমমম থোকপা কাঙবুসু য়াওরি। ষ্টেটকী লৈরিবা ইস্যুশিংগা শুকশম শন্নদনা পংই-পংইদা ইরগা ফেসবুক্তা নৎত্রগা ৱাটসএপতা পোষ্ট লেপ্তুনা তৌরি। হায়রিবা মীওইশিংসিগী মরক্তা লূপ/এসোসিএসন/ওর্গনাইজেসন অমা নৎত্রগা অমগী লুচিংবা ওইদ্রবদি হৈনদবা মীওই খরসু য়াওশিল্লক্লি। মশক নাইবা, মশক থোকপা লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌরমদাইদদি মক্রাংদা মখূৎ লোৎতুনা লৈরগা চে-কলম পায়দুনা সোসল মীদিয়াদা লৈবাক নুংশিবা শাবা অনী-মরিসু য়াওরি। অসিগুবা মখলগী মীওইশিংসিনি মালেমসি লূম্নবা পোল্লকপা হায়নরিবসি। অদুবু মখোয়সি কম্মাইনা ৱাখল তাহনগনি? অহকপা লৈবাকসিগী লোগী লামায়শিংদা চৈবুল পীজৌ হায়বা মক য়াওদ্রবসু ইহে শোয়খ্রে হায়দুনা মনম তৎনবা য়ৈবনা ফরগদ্রা নৎত্রগা মখোঙলা মখূৎলা অমা থুদেক্লগা থমগদ্রা? মখোয়সি কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী দেল্টা ভেরিএন্টশিংদগী হেন্না শাথীরবা খুন্নাইসিগী মহিকনি হায়বদা হায়মনবা থোক্কদ্রা? চিন্দা শোনবা খক্তনা লাই নীংবা নত্তে হায়বসি অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগী মমিৎতা খুদোম্বী থিল্লগা তাকপীফম থোকই। গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা মীওইশিংনসু অসিগুম্বা মখলগী মহিকশিং, মী মনুখাংশিংসিদা অচেৎপা য়াচল লাক্কদবনি। তৌনীং তৌনীংবা ফৈরেং তুরেং পংতৌদা তৌবা য়াদে। লৈবাকসিগী মীয়াম লৈরি, লো চৎনরি, মপু পাল্লি হায়বসি ময়েক শেংনা খঙহনবা চুল্লে। মখোয়না ঙমখৎলকপদা লমদমসিগী প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংবুসু লান্না শীজিন্ননবা হোৎনরক্লিবনি।

মরম অসিনা লৈবাক মীয়ামগীদমক্তা থম্মোয় শেংনা থবক তৌরিবা লূপশিং, গভর্ণমেন্ট অমসুং মসিগী মরী লৈনবা মেছিনরিশিংনা অসিগুম্বা মীওই মখলশিং অসি মশক মুন্না খঙদোক্তুনা মতম পূম্নমক্তা মখোয়দগী লাপ্পা নাথৈদুনা লৈনবা হোৎনগদবনি। নৎত্রবদি তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়াগী মরক্তা লেংলক্লিবা নুংশিনদুনা অমত্তা ওইবগী কল্লবা লংলাসিগী মপাঙ্গল শোন্থহল্লক্কনি। থোকহনফম থোক্তবা লৈবাক ঈরাং থোকহল্লক্কনি। অদুনা অসিগুম্বা মথোং-মরম খঙদবা মীওই খুজোক খরসিদগী লমদমসিগী মীয়াম চেকশিন্না মীৎ-নাকোং শিংনা লৈহন্নীংই। মখোয়গী খদ্রক্কী লাংদা লমদমসিগী মীয়াম থুহন্নীংদে, চেকশিনবীহৌ।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩

১) কুমজা ১৯৬৫ইংদা ফোঙখিবা *'লৌনম'* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) *"বীরবাহু তুবা"* হায়বা লাইরিক অসি মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?

৩) *"নোংচুপ নোংপোক্কী মীনা সনামহী পাখংবা লাই অয়াম্বদা চঙফদে। মাইবা লোয়শঙ অহুম্মাদা খনফদে। দোলাইপাবনা নিংথৌগী শঙ্গাই চঙফদে।"* ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৪) বাংলাদেশতা ফোঙখিবা মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা চেফোংদু করিনো অমসুং করম্বা মতমদগী ফোঙবা হৌখিবগে?

৫) *"ভাগবত ধর্ম্ম অমসুং দ্রমর গীত"* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী ঙরাংগী ইস্যুগী লমায় ৪দা য়াওখিবা *'মরোল থোকউ য়াদ্রবা নূংজাউ'* গী অইবীগী মমিং **সোবিতা সৌবাম** হায়খিবা অদু *সোবিতা মোংজম* হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। - *প্রূভ রিদর*

## লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

| পাউখুম পীবিরিবা ঃ |
| --- |
| ডা. এম থোইথোই সিংহ |

Q. অঙনফৌদা অনীরক পেঙলবসু হুপকা কাংখল শাবীগনা লৌ য়াম্না মাঙহনখি। হন্দক অকোনবগীসু লিংলে খূৎলোল্লে; অদুবু হুপ অমসুং কাংখল শাবী হৌবা হৌরক্লে। মসিবু করি হীদাক তৌগদবগে তাকপীয়ু, নাপী হীদাক অমত্তা চাইজদ্রি।

- ইবুঙো থৌদাম, থৌবাল

☞ কৌথুম, হাকুপ, হুপ, কাংখল শাবী অমসুং অতৈ নাপীশিং হৌরবা মতুংদা হাৎনবা Basagran মিলিলিটর ৭০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লবা মতুং ষ্টিক্কর মিলিলিটর মঙাগা হাপ্লগা নাপী পূম্বা চোৎনবা কাপথোক্কনি। শঙম অমা চাওবা লৌফমদা হীদাক Basagran মিলিলিটর ৫০০ চংই। হায়রিবা হীদাকসিনা মপাল শারবা, মরূ পাল্লবা কাংখল শাবী ফাওবা হাৎপা ঙম্মী। অদুবু ফৌ পাম্বীদদি অকায়বা পীদে।

Q. হার ফংদ্রে, ফৌ পাম্বীদি নোংম-নোংমগী মতম হৌজিনখি। ফৌ পাম্বীশিংসি খরমখৈ ইনখৎহৌনবা করি করি শীজিন্নবা য়াবগে খঙজনীংই।

- বুধিচন্দ্র, কুম্বী

☞ লিংগদবশিংগীদমক্তি লিংলমদাইদা ফৌ পাম্বীগী মরাদু Well Azoto দা লুপহৌসি। হীদাকসি মহি অমসুং মপং অনীমক্তা ফংই। মসিগীদমক Well Azoto মিলিলিটর/মিলিগ্রাম ১০ ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানশিল্লগা ফৌ পাম্বীগী মরাশিং মিনট ৩০ তীংগনি, মতুংদা লিংবা য়ারে।

করিগুম্বা হান্না লিংখ্রবা নৎত্রগা পামফেল তৌখ্রবা ফৌ পাম্বীগীদমক্তি শঙম অমা চাওবা লৌফমগীদমক Well Azoto মিলিলিটর/গ্রাম ৫০০-কিলো/লিটর অমা ফাওবা লৌবীরগা কম্পোষ্ট/ভমিকম্পোষ্ট/মপূং ফানা পথরবা ষম্থি কিলোগ্রাম ৫০ মুক্তা তোৎশিনবীরগা শঙম অমা চাওবা লৌফমদা চাইথোকপীগনি। মসিনা নুংশিত্তা য়াওবা নাইট্রোজেন ফাজিল্লগা পাম্বীদা ফংহনবতা নত্তনা IAA, Gibberlins, Cytokinins পুথোক্তুনা পাম্বীবু য়াম্না থুনা চাওহল্লি। চপ মান্নবা মওংদা ফোসফরস অমসুং পোটাসকীসু হাপ্পীবা য়াই। মসিদা নত্তনা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাসকী অপূনবসু শীজিন্নবীবা য়াই।

ঈশিং খরা য়াম্না লৈবা লৌফম ওইরগসু Azolla থাদবসু কান্নগনি।

Q. ফৌনাগী মতোন্দা মচু ঙাংবা, মনা মতোন কোনশিন্দুনা তুমত্রিক তুম্বা, চাওবা হেন্দবা, ইঙেল্লাই হায়না খঙনবা তীলনাসিগীদমক স্পীদ কাপনবা তাকপীরকপা থেংনজখ্রে। মসি ওর্গানিক ওইবা, শীজিন্নবা য়াবা হীদাক অমত্তা খঙজগে।

- মুনাল সোইবম, থৌবাল

☞ নিম ওইল ওইনা শীজিন্নবসু য়াই। Neem Well 3000 PPM দা লাকপা ওইরবদি মিলিলিটর ৪০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। Neem Well 1500 PPM দা লাকপা ওইরগনা মিলিলিটর ৮০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা ফৌনাশিং মপূং ফানা চোৎনবা কাপথোক্কনি।

মসি নৎত্রগসু Neem Vertignarid (Verticillium lecani) মিলিলিটর ৪০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা ফৌনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা
অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল ***hueiyenagri@gmail.com*** দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

## লৈঙাক্কী ওইরবসু লন্নাইবু ওইরবসু প্রিজার্ভেসন, প্রোসেসিং য়ুনিটশিং মতিক চাহৌদবগী মাঙজবা

**এস সুমঙ্গল**

হন্দক্কী লোকদাউন মনুংগী কর্ফিয়ু অসিনা খুদিংমক্তা অৱাবা চৈথেং কয়া অমা পীররে হায়বসিদি খুদিংমক্লা খঙনরে। পুথোক্লিবা, লল্লোল্লিবা অমদি লৈদুনা শীজিন্নরিবা খুদিংমক্তা অৱাবসি চপ মান্নে হায়না লৌবা য়াই। খরা কুপ্পা য়েংলুরগদি খরা হেন্না অৱাবা নংলিবসি নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা, লৌউ-শিংউ তৌজরগা হিংজরিবা, কুইনা লীদুনা থম্বা য়াদবা পোথোক পুথোকচরগা শেন্দাল লম্বী ওইজরিবা মীওইশিংদনা খরা হেন্না খম থেংনা অৱাবা অসি নংব্রা হায়না খল্লি। মাঙজরিবা অসি মশা মশাগী ওইনসুনি অদুগা নাকোয়ননা য়েংলুরগদি পূম্নমক্কীসুনি হায়নসু খল্লি, লৈবাক্কী লন মাঙজবনি হায়নসু লৌবা য়াই। চৈথেংনা খরা হেন্না হকথেংননা অৱাবা নংলিবশিংগীনি (পুথোক্লিবশিং) অদুগা নাকোয়ননা মাঙজবনা খুদিংমক্কীনি, লৈবাক্কীনি। মসি মরু ওইনা লৌউ-শিংউ তৌজরিবশিংগীদমক্তি কোক্তা খূৎ হাপ্পরবনি। মীৎয়েং হৈবা মীনুংশি খঙবা খুদিংমক্কীদি অৱাবসি খঙবনিনা মখোয়সু চৈথেং অসি চপ মান্ননা ফাওই। অতোপ্পা খন্থবা ৱাৎপা মীওইশিংগীদি হায়বা ঙমজদে।

অমুক্তং য়েংসি। মরু ওইনা লাইবক থীবা কোরোনাগী লোকদাউন, নৎত্রগা অতোপ্পা খুদোংথীবা মতমশিংগী ওইনসু লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা পুথোকচরিবা পোথোকশিং য়োনবগী খুদোংচাদবা মতমদা কুইনা লীদুনা থম্বা য়াদবা (perishable iichin - মনা-মশিং, উহৈ ৱাহৈ, ককথৎলুরববু ওইরবসু লৌবুক্তা, থম্ফমদা লোকপগী মতম হেল্লববু ওইরবসু, অরেম্বদা মতম হেন্দুনা পৎতুনা পুমদুনা মাঙবা থৌদোক মীয়াম্না তোয়না তানরিবা ৱাফম ওইরক্লি। খুদম ওইনা লোকপগী মতম হেল্লবা তরবুজগী পাক্লবা লৌফম কয়া, মুল্লবা খামেন অশিনবগী পাক্লবা লৌবুক কয়া, হন্দক্তা য়াল্লবা কিহোমগী মুল্লবা উহৈ কয়া য়োনফম লৈতবগী অৱাবা খোল্লাউ কয়া মীয়াম্না তানরি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়ানি। অসিগুম্বা মতমসিমক নৎত্রবসু করিগুম্বা মতমদা কৈথেলদা পোথোকশিং মায়কৈ খুদিংমক্তগী পুথোরক্তুনা লৈবীনবনা ৱাৎতুনা পত্তুনা পুমদুনা অমাঙবা কয়া থোক্তবসু নত্তে। অসিগুম্বা মতমশিং অসিদনি পোথোকশিং অসিবু মতম খরগী নৎত্রগা মতম শাংনগী ওইনা লীদুনা থম্বা য়ানবা পান্থৈশিং (কোল্ড ষ্টোরেজশিং, প্রোসেসিং য়ুনিটশিং) তঙাইফদবা লাক্লিবসি। মতম খরগী ওইনা কোল্ড ষ্টোরেজ অদুগা মতম শাংনগী ওইরগনা পোথোকশিং অদু ভেল্যু এদ্দিসন তৌদুনা অতোপ্পা মওংদা ওন্থোক্তুনা হায়বদি - অচার, মহী মখল কয়া, সোচ, কেন্দি অতৈ অতৈ কয়া অমা শেমদুনা শাদুনা থম্বগী খুদোংচাবা প্রোসেসিং য়ুনিটশিং লৈরম্লবদি অসুক য়াম্বসি মাঙবা হন্থরমগনি, মমলসু কারমগনি। লোয়ননা লৌমীশিংগী চাওখৎ থৌরাং কয়া অমা পায়খৎলিবশিং খুদম ওইনা কুমজা ২০২০দা লৌমীশিংগী ওইবা শেন্মীৎলোন্দা ইনকম শরুক অনী ওইহনবা হায়বসিগী পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মায় পাকপসু ওইরমগনি।

হায়রিবশিং অসিগী পান্দমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা স্কিম কয়া, প্রোজেক্ট কয়াগী খুত্থাংদা থাদরক্লিবা শেনফমশিং অদুদগী মতাং মতম চানা মার্কেট চেনেলশিং অমদি ভেল্যু চ্যেন হায়রিবশিং অসি কাঙলোন চুম্না অমদি পুকচেল শেংনা অখঙ অহৈ কয়ানা শেল্লিবা প্রোজেক্টশিংদা য়াওরিবা গাইদলাইনশিং নিংথিনা ঙাক্লা মদুবু নিংথিনা য়েংশিনদুনা (মোনিটরিং) তৌদুনা লৌমীশিংগা অখঙ অহৈশিংগা খূৎশম্ননা মায়কৈ অনীমক্লা পুকচেল শেংনা চইমিন্নরবদি মাঙলিবা ময়াম অসিসু মাঙলমদবা য়াই। হোম দেলিভরি তৌরিবশিংনা পুথোক্লিবা পোথোকশিংগী চপ চানা মমল চাগা-চাদিং য়েংবীরগা লেপ্পীরবা (মিনিমম সপোর্ট প্রাইস) ওইরগা অফংবা মফমদগী ফংদবা মফমশিংদা চাং মান্ননা য়েন্থোকপগী থবক থৌরমশিং হৌজিক পায়খৎলিবা অসিগী মথক্তা খরগা হেন্না মওং চুম্না পায়খৎনবা থৌরাংসু শিনবীবা য়াম্নমক কান্নগনি খল্লি। অকং অরাক হৱাই চেঙৱাইখক চাবনা মীওইবগী হকচাং ফনা ইম্ম্যুন ৱাংনা থম্বদসু অচৌবা চৈথেং পীরিবনি। মসিদগীসু খরা হেন্না ঙাকথোক্তুনা ইম্ম্যুন ৱাংহন্দুনা কোরোনাগী চৈথেং ফংলিবা অসিদগী খরা মখৈদি ঙাকথোকপা ঙম্লগনি। পূম্নমক্লা খরা হেন্না খন্থবা মতম ওইরে খল্লি। ●

## ফোসফরসকী মহুৎ প্লান্ট গ্রোথ প্রমোটরনা শীনবা

**ডা. ৱাইখোম জিতেন**

ফৌ হায়বসি মণিপুরগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মহৈ মরোং মখল অমা ওইবনা ফৌ থাবগী মতম অসি লৌউ-শিংউবগী হীদাক লাংথক য়োল্লিবা দুকানশিংনা পোৎ খ্বাইদগী য়োনবা মতমনি। মতম অসিদদি ফৌগা মরী লৈনবা হীদাক লাংথকশিং অসি কনাগুম্বা চান-থক্লবা পোৎলম য়োনবা দুকানশিংদা ফাওবা য়োনবা য়াওরিবনি। মতম অসিদা ফৌ মরূদগী হৌরগা লায়না তীলনাগী হীদাক, নাপী হীদাক, হার, পাম্বীবু চাওখৎহনবদা মতেং পাংবা পোৎলম (প্লান্ট গ্রোথ প্রমোটরস) অমদি ফৌ থাবদা চঙবা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া অমা য়োল্লিবনি। য়োল্লিবা পোৎলমশিং অসিগী মনুংদা প্লান্ট গ্রোথ প্রমোটরশিংবু ফোসফরসকী মহুৎ শিন্নবা পোৎলম অমগুম উহন্দুনা য়োনবগী থৌওং অমা কনাগুম্বা খরনা চত্থরি। মসি তৌরোইদবনি, তশেংনা য়াম্না লানবা থৌওংনি।

হৌজিক্কী মতমদা লৌমীশিংনা য়াম্না পাম্না শীজিন্নরক্লিবা হীদাক লাংথকশিংগী মনুংদা পাম্বীবু চাওখৎহনবদা মতেং পাংবা পোৎলমশিং (প্লান্ট গ্রোথ প্রমোটরস) শিং অসি অমনি। কাঙলূপ অসিগী মনুংদা সমুদ্রদা ফংবা পাম্বী মখল খরদগী শেম শাবা (Sea Weed extracts) পাম্বীবু চাওখৎহনবদা মতেং পাংবা পোৎলমশিং, খূৎশেমগী ওইবা পাম্বীবু চাওখৎহনবদা মতেং পাংবা হীদাক খুদম ওইনা Triacontanol, Amino acid, Humic acid নচিংবা য়াওবা হীদাকশিং অমদি হেন্না মগুন লৈহল্লবা কম্পোষ্ট (inrich compost) মখলশিং পনবা য়াই। অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি দুকানশিংদা Paras Vita, Vipul, Agrozyme Techzyme, Zyme Gold, Sonazyme, Humicil G, Booster নচিংবা মমিংশিংদা ফংই। অসিগুম্বা হীদাক মখলশিং অসিনা পাম্বীগী মরূ, মরা হেন্না ফগৎহনবা, পাম্বী মনাগী অশংবগী শরুক হেনগৎহন্দুনা নুংশা মঙালগী মতেংনা মচিঞ্জাক হেন্না শুংবদা মতেং পাংবা, পাম্বীশিংদা অঙৈং অশা, নোংজু নুংশানা পাম্বীশিং মচা হেন্না পোকহনবগা লোয়ননা পাম্বীশিং চাং মান্ননা মপাল শাৎহনবা অমদি মহৈ হেন্না য়ালহন্দুনা চাথোক হেনগৎহনবনচিংবগী মথক্তা পাম্বী অমনা মায়োক্লরিবা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাদবশিং কোকহননবগী পান্থৈ পীদুনা পাম্বী অমবু থুনা মপূং মরৈ ফাহল্লি অমদি চাথোক হেনগৎহল্লি। হীদাক মখলশিং অসি ফৌ হুনখ্রবা নৎত্রগা লিংলবা মতুং নুমিৎ ২৫-৩৫নি মুকশুবা ফৌ মচা পোকপা মতমদা হার চাইবদা হাপনৈ। হীদাক মখল অসিগী কান্নবা য়াম্না লৈ। অদুবু লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা মরূ মরা ফহল্লি হায়বদুদা ফোসফরসকী মহুৎ শিনবা য়াবা হীদাক মখলনি হায়না লান্না লৌই। মসি তশেংনা লাল্লি। কনাগুম্বা লৌমীশিংনা অসিগুম্বা হীদাকশিং অসিবু বালটিনগী Diamond (Diammonium phosphate) হায়না ফাওবা কৌনৈ। মসিনা মরম ওইদুনা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট নৎত্রগা দাইমোনিয়ম ফোসফেটকী চাং হন্থনা নৎত্রগা চাইদবগা মান্নবা চাংদা লৌফমদা হাপ্পবা হৌরক্লি। মসি য়াম্না চুমদবা থৌওংনি।

লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা বকেট (বালটিন) তা হাপ্লগা লাকপা গ্রোথ প্রমোটরশিং অসি শীজিন্নবনা পাম্বীশিং শাহৌ ফগৎহল্লি অমদি গ্রোথ প্রমোটর হাপ্তুবা পাম্বীগী মরানা য়ৌবা ঙমলোইদবা লৌফমগী শরুকশিং ফাওবা চৎতুনা পাম্বীগী মথৌ তাবা মচিঞ্জাকশিং লৌফম অদুদগী চিংথোকই। পাম্বীশিংনা চিংথোকখিবদি লেপ্তুবা হাপচিনবদি ৱাৎলকপনা লৌফম অদু মমৈদা শীজিন্নবা য়াদবা লৌফম হায়বদু ওইরক্কনি। অমরোমদা অমুক করিগুম্বা মচিঞ্জাক মখল অমা ৱাৎপনা মরম ওইদুনা অতোপ্পা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং লৌখৎপদসু অচৌবা অপনবা পীবগা লোয়ননা লায়না-তীলনা কয়া অমা নাহন্দুনা লৌফম অদুগী পোথোক চাথোকসু হন্থহনবা য়াই।

অহেনবা পোথোক চাথোক ফংনবগীদমক পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং কাঙলোন চুম্না হাপ্লবা মতুংদা প্লান্ট গ্রোথ প্রমোটরশিং শীজিন্নবীয়ু। মদু নত্তনা প্লান্ট গ্রোথ প্রমোটরশিং অসিবু ফোসফরসকী মহুৎ শিনবনি হায়না খন্দুনা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাশকী চাং চুম্না হাপ্তুবীদা শীজিন্নবনা ঐখোয়দা মাঙজবা কয়া অমা পীরক্কনি। মরম অসিনা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা নাইট্রোজেনগী চাং চুম্না, ফোসফরসকী চাং চুম্না অমদি পোটাশকী চাং চুম্না হাপ্লবা মতুংদতা প্লান্ট গ্রোথ প্রমোটরশিং শীজিন্নবীয়ু। মখোয়না Diamon (Diammonium Phosphate) অমসুং সিঙ্গল সুপর ফোসফেটকী মহুৎ শিনবা য়াবা নত্তে হায়বসি খঙবীয়ু। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।